# অচুম্বসিবু লৈরিবরা - ১৪১

- ডা. এল শশীকুমার, য়ুরেম্বম -

নুংশিৎ শিৎতনা উনা খক লেংদে হায়বসি মীপূম খুদিংমক্কা খঙনরবা ৰাফম অমনি। চহী অনীরোম লৈঙাক্লকপদা পেন্দবা খরদি লৈতবা নত্তে। অদুম ওইনমক লুচিংবশিংগী মরক্তা অমনা অমবু থাজনদবা লৈবা হায়বসি ঙসি ঙরাংতগী নত্তে। মসি পুৰারীগী তাঙ্কক কয়াগী মনুংদা য়াওরবনি। মসিগী মথক্তা তেল্লবা চহী অনীগী মনুংদা য়ানদবগী মথি ফোঙনরকপা পার্টি মশেল মনুংগী পোলিটিক্সকী ওইজনামগী লান চম্না লায়না খন্দোকপা য়াবা নত্তে। মরম অদুনা তেল্লবা চহী অনীগী মনুংদা মিনিষ্টর হোংদোক হোংজিনগী ৰাফম লাকপা হায়বসি লৈঙাক মনুংগী ওইনা অফবা নত্তে। মসিগী মথক্তা পার্টি পূন্দবা মরক্তা য়েৎনবদি খরবু লায়রি। পার্টি পূনবা মনুংদা য়েৎনরকপা হায়বসি য়াম্না লায়না চম্না খন্দোকপা য়াবদি ওইররোই। হন্দক্কী উখ্রুলদা পাঙথোকপা কেবিনেট মীফমদা মিনিষ্টর তরুক শরুক য়াখিদবসিমক নুংগী ওইবা মত খেন্নবা লৈরে হায়সি চেনবা য়াদনা চুল্লবা ৰাফমনি। মসিমক লাংনা লাংনা ঈরাংদি নমদুনা শেল-থুম্না নমশিন্দুনা থমখ্রগনি নীংঙাই তৌবনা খঙখি/ওইজ হৌবা হায়বসিদি মশানা তাজবনি। অচৌবা ওইনীংদবা কনাবু য়াওরমগনি ঙসিগী পোলিটিক্সতা। কথোকপা ঙম্বা কনানো? অচুম্বগীদমক লৈবাক্কীদমক থম্মোয় শেংনা মীয়ামগী থৌগল তৌনীংবা এম এল এদি লায়রদনা মীচম মীয়ামশিংগী মরক্তা কয়াবু লৈরমগনি। ঙসিগী ২১শুবা চকসিদা অচুম্বগীদমক অওনবা অফবা লৈবাক্কীদমক থম্মোয় শেংবা মীগী মশীং থিবা খরদি ৰানা থোক্কনি। ঙসিগী লৈঙাকলোয় খুদিংমক্কী থবক থৌরম শাংলবা চহী কয়াগী পুৰারী য়েংলুরবসু কথোকপা হায়বসি ইয়াও য়াওদবগুম চহী খরবু এম এল এ ওইরুরবা, মন্ত্রি ফম পায়রুরবদি সনাগী মথক্তা তম্ফা থিনবগুম মশক থোকপদি পূম্নমক্কা খঙনৈ। মসিমকসু পুৰারীনা শাখিনি। মরম অদুনা মন্ত্রি ফমগীদমক হিদানরিবা এম পি ওইনবগী হোৎনরিবশিং খূৎ থেক্তুনা য়েংবীয়ু, এম এল এ, মন্ত্রি, এম পিগী থাগী তোলোপ অতৈ অতৈ মীচম মীয়াম্না খঙদবা তোপ তোপ্পা মরম কয়াসু লৈরমগনি। মদু পূম্নমক ৫০%দং মীয়ামদা য়ৌহনবদা মীয়াম্না পেন দনীংঙাই লৈতে। মসি পূম্নমক খঙনরকপদগী এম এল এ ফমগী হিদান্নবা মীগী মশীং ঈশিং ঈচাওগুম থোরকপা ঙাক্তনি।

মতাংসিদা হেন্না পঞ্জনীংবদি পোলিটিক্স হায়বসি খ্বাইদগী লুরবা শিনফম অমনি। খ্বাইদগী লুরবা শিনফম অসিদা ঙসি ইন্দিয়ন কন্সটিটুসন্না মসিগী চপ চাবা মহৈ-মশীনগী থাক য়াওদ্রবসু পোলিটিক্স য়াওবা য়াহনবসিমক ঐখোয় পূম্নমক্কী লাইবক থীবনি। ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী লুর-লুরবা রুল মশক খঙদ্রবসু এম এল এ, এম পি, মন্ত্রি ওইবা য়াবগী খুদোংচাবা ময়াম ফংহনবসিনা পূম্নমক্কী অৰাবা ওইরকপনি। ঙসিগী লৈঙাক অসিদা য়াওরিবা ময়ামসি নুংপান কূপ্না নৈনবদা শোয়দনা য়াওরমগনি খল্লি। মসি মখা তারকপদা লৈঙাক্কী ফমজাও পায়রম্বা শেঞ্জা থুমজা নম্বর ফোরনচিংবা করবার কয়াদা চেন্নবশিং এম এল এ, এম পি, মন্ত্রি ফম পায়রকপা শোয়দনা য়াওনরমগনি খল্লি। মতাংসিদা হেন্না পঞ্জনীংলিবদি লৈঙাক্কী ওফিসর, এম এল এ, এম পিশিংনা লৈঙাক্কী থবক থৌরমগী নামাদা নম্বর ফোর লল্লোনবা য়াওনরমগদ্রা হায়বা ৰাহং খরসু লৈতবা নত্তে। তশেংনমক মন্ত্রিনা নম্বর ফোর পুরগা চৎপদা কনানা চ্যেক তৌবিগনি। ৰাহংসি খ্বাইদগী লায়বা খ্বাইদগী লুবা ওইনা থোক্কনি। ঙসি চথ-রক্লিবা ঐখোয়গী দেমোক্রেসিগী চৎন-কাঙলোন অসিমক য়াম্না কন্না য়েংশিনবগী দরকার লৈতবা নত্তে। মতম অমগী চৎনরম্বশিং অদু ঙসিগী ২১শুবা চহী চাসিদা চানরিবরা? ৰাহং অসিগী পাউখুম ঙসিগী মীয়াম্না ঙাইনরি। এম এল এ, এম পি, মন্ত্রি ওইরিঙৈদা হুরান করবার তৌবদা থিংবীগদবসি কনানো? মীচম ওইরিঙৈদা নম্বর ফোর করবার তৌরগা দশা তারবা মতুংদা ভোট লেপ্তুনা ভোট কারকপা ওইরবদি মখা তাবা থবক পাঙথোকপা ঙম্নদবসি য়াওদবা নত্তে। মসিমক্কী ৰাহংসিগী পাউখুম মীয়াম্না ঙাইনরি। মী হাৎপা য়াওরুরবসু মপা-মমা শঙ্গ-পঙ্গগী শক-মায় য়েংদুনা লৈথোক লৈশিন তৌনবশিং ইন্দিয়াগী ওইনা মশীং খঙদনা লৈরমগনি। সী এম ওইরিঙৈদা মখল মখাগী কেসতা চেন্নবশিং ঙসি ফাওবা মতিক চাবা দন্দি পীদবসি চম্না তরাইনা খন্দোকপা য়ারোই। ঐনা মন্ত্রি, এম পি, এম এল এ ওইরগা লুপা ক্রোর ক্রোর শেঞ্জা থুমজা তৌরগা চহী ৫/১০ জেলদা থম্বগী মহুত্তা পুন্সি চুপ্পা জেলদা থম্বগী মথক্তা ফাঁসি তৌদুনা য়াদে হায়বা খঙহনদ্রবদি ফত্তবগী চাং হেন্না ৰাংখৎলক্কনি। লৈবাকসিদা মীয়ামগী মরল মাঙহনবা খুদিংমক লৈঙাক্কী কর্ম্মচারি ওইরবসু এম এল এ, মন্ত্রি, এম পি ওইরবসু ফাঁসি তৌরগা য়াদে হায়বা খঙহন্দ্রবদি অপাৎপদা হয়িং থাজিনবগুম থোক্কনি। মী হাৎপা, হুরান করবারদা চেন্নবশিং পূম্নমক ভোট লেপ্পা য়াহনবসি মপূং ওইনা হুরানবদা চুম শো শিন্নবগুম থোক্কনি।

মতাংসিদা হেন্না পঞ্জনীংলিবদি ইন্দিয়াগী মনুংদা লালহৌবা নহারোল মশীং খঙদনা থোরকপসু অচুম্বা আইনগী অচুম্বা মীৎয়েং য়েংদবা, শঙ্গ-পঙ্গ, অচান-মীরাই লাকপদগী লালহৌবা নহারোল চোংখৎলকপনি। মসিসু লালহৌবা নহারোল পোল্লকপগী খ্বাইদগী মরু ওইবা পোরম অমনি। ঙসিমক মণিপুরগী পিকখ্রবা ষ্টেট অসি লালহৌবগী মশীং য়াম্না লৈরিবসি ৰাখল মুন্না খন্থবা খরদি চঙদবা নত্তে। ঙসি ফাওবা মফম মরাং খঙদনান হারোল লালহৌবগী নামাদা মীওই ১৫২৮ রোম মফম মরাং খঙদনা লৈরিবসি করিগীনো? মসিগী মথক্তা তেন্বীস্না হায়স্কুলগী কেম্পসতগী ফংখিবা মীকোক অদুগী কেস করিগী নমশিন্দুনা থল্লিবনো। কেস অদুদা চেন্নরমগনি খনবা মীশক মীওই ঙসি ফাওবা পুথোক্তবসি লৈঙাকপশিংনা কনখৎলিবরা? ৰাহং অসি মণিপুর লৈঙাক্কা মীয়ামদা শেংদোকফম থোক্তবরা? লমদমসিদা লৈঙাক তৌবিরিবা সী এম মতমসিগী বি জে পিগী অফবা লৈঙাকনি হায়না মখৌ পোংনা লাউরিবশিংনা করিগী তুমিন লৈশিনবনো? লমদমসিদা অচুম্বসিবু লৈরিব্রা? অচুম্বগীদমক কখে-াকপা ঙম্বা এম এল এ, মন্ত্রি, এম পি পূম্নমক তাশিন্নদবসি করিগীনো? মণিপুর মীয়ামগী য়াইফনবা খল্লি, চাওখৎ-থৌরাংগীদমক থবক পায়-খৎলি হায়না লেপ্তুনা মন্ত্রিশিংনা মমাঙথক্কী মরী লৈনবশিং থম্মোয় শেংনা ইরমদমগীদমক খন্থবীরগা অচুম্বগী মফম খরদি কনবীরম্মু। মথক্তা খরদং পঞ্জরিবশিং অসি নত্তবা মশীং খঙদবা কয়া লৈতবা নত্তে। ঐখোয় লৈবাক অসিদা থোকখিবা ৰাথোক লাম্থোক কয়া মৈ ঈশিংনা চামদুনা কৈদৌনুংদা কোকহনবা ঙল্লরোই। অদুবু হন্দক্কী শ্রী মোদিজিগী বি জে পিগী লৈঙাক অসিনা ইন্দিয়া পূম্বগী ওইনা লাউরিবা মীয়ামগীদমক কথোকপগী ফমশিংগী মনুংদা মণিপুরদা তরু-তরুবা বি জে পিগী লৈঙাক অসিনসু তশেং-তশেংবা মণিপুরবু নুংশিবীবা ওইরবদি মশক থোকপা থবক খরদি তশেং-তশেংনা উৎথোকপা মতম ওইদ্রিবরা? বি জে পিগী লৈঙাক চহী অনী হৌজিনখ্রে। ঙসি ফাওবা খরা কয়াদা ফজ ফজরবা কয়াদি পাঙথোকখ্রে ইনরকপা খুঙ্গং, চীং-তম অনীগী করম্বা খুঙ্গং, করম্বা চীংগী মফমদা খুদম চাংদম ওইবা খরদি থিন্দুনা মীয়ামদা খঙহনবীফম থোক্তবরা?

ঙসিদগী চহী কয়াগী মমাঙদা লৈঙাক পায়রম্বা কোংগ্রেস বর মিথাই খুশিদা তুম্বা হৌরক্লে। অমুক হন্না হৌগৎলক্কনি থাজনদ্রে। মপান ফরিঙৈ লাউরম্বশিং পোংলম্বশিং তাক্লরুবা নাইদা হৌনরুবা য়াওদনা তুমশিল্লক্লে। মকা লাম্না ঐখোয় মঙাইরে লাউরিবা বি জে পি চহী অনীখক লৈঙাক্লকপদা মন্ত্রি ফমগী ঈরাং হৌরকপা য়াম্না লায়না খন্দোকপা য়ারোই। চহী ১৫ ওপোজিসন ফাওবা য়াওদনা লৈঙাক্লকপা কোংগ্রেসকী ফীভম মীৎমাংদা খঙনরবনি। খরা লৈরবদি কোংগ্রেসকী লৈঙাক্তুম বি জে পিসু ওপোজিসন য়াওদনা লৈঙাক্লকপা য়াই। ঈরাং লাকখ্রে। ঈহৌ শাগৎনখ্রে, নুং-পান ইখঙ খঙনরে। মসিগী মখা তারকপদা ৪০ ওইরিবা বি জে পি ২০ ওইরিবা কোংগ্রেস পূম্নমক বি জে পিদা ১২ চঙশিল্লক্তুনা ৫২শুবসু য়ারি। পোলিটিক্সতা মন্ত্রি ফংহৌদবশিং তকসি শোন্দুনা কয়াম কুইনা খাঙনগনি। মন্ত্রি মশীংদি হেনগৎপা খক য়াররোই। ঙসি ৪০শুরিবা বি জে পি ২০ চৎখিবদা কনানা থিংবীরুগনি। ২০ মক চৎখিরোই করম্না হায়রুগনি। মসিগী মথক্তা মন্ত্রি ফম পায়দ্রবদি লৈবা ঙল্লোইদবা এম এল এ য়াওদবসু নত্তে। অদুম ওইনমক চোংথোক চোংশিনগী য়াবা য়াদবা করিসু তৌবা ঙমখিদবসি অনৌবা পারা অমনি। মসিগী পারা খঙনরবনিনা অমত্তা তরাইবা নত্তে। কয়াম কুইনা লৈঙাক পুমিন্নগনি খঙদবদগী শেঞ্জা থুমজাদি কোংগ্রেসকী মতমদা ১০% হায়নরম্বদু বি জে পিগী লৈঙাক অসিদা ৩০% হায়নরি। কদাই ফাওবা চুম্বা-লানবনো থিগৎনরি। অদুবু নুংশিৎ শিৎতনা উনা খক লেংদে। মীগী মচিনবু কনানা মেল্লুগনি। মণিপুর মীয়াম্না থাজবা থাজদবা চাউনা এম পি ভোট মায় পাক্লে। মায় পাকপা হায়বসি তরাইবদি নত্তে। পাঙ্গল শক্তিগী মথক্তা মীয়ামগী অয়াবা য়াওদনদি মায় পাকপা ওইথোক্তে। মতম শাংনা ঈংনা তপ্পা অচুম্বা অশেংবগীদমক থম্মোয় শেংনা মীয়ামগী থবক তৌবীরক্কনি হায়বগী থাজবদি থমজরি। মণিপুরদা থাজদনা বি জে পিনা লৈঙাকপীরে। মীয়াম্নসু মতেং পাংলে। অচুম্বা খরদি শোয়দনা পায়খৎপীরক্কনি হায়বগী থাজবা থম্নরি। থবক ওইনা ফজনা পায়খৎপীরক্কনি থাজজৈ। অচুম্বগীদমক অওনবা মণিপুরগীদমক মৈ ঈশিংনা চামদুনা কোল্লরোইদবা নুংথিল পোবোপতা বজারগী মীয়াম মমাঙদা হাৎখিবা রবিনা-সঞ্জিৎকী ৰাথোক লোইশিনবীদুনা মরাল লৈবশিং অচুম্বা ৰায়েল পুথোকপীরকউ। মীয়াম্না থম্বা থাজবা মপূং ফাহনসি। পোলিটিক্সসি ফাগী তাহনগুমসি, পৈশা পায়বা শেঞ্জা থুমজানা মীয়াম্নু জয় তৌবা মতম শাংনা পুন্সিদে। মতম অমদা থাজবা থল্লম্বা কোংগ্রেস চহী লিশাংশিনা লৈঙাক পায়রম্বা ইন্দিয়াগী লৈমায়দা অমুক হল্লক্কনি হায়বসি থাজবগী ৰাংমদা লৈখ্রে। মণিপুরদা চহী অনীরোম লৈঙাক্লকপদা ফম মুন্নরকপা হায়বসি অচুম্বা অফবা খোঙথাংদি নত্তে।

পোলিটিক্সতা খাঙুথক্তা শেঞ্জা থুমজা, শঙ্গ-পঙ্গ, পাঙ্গলনা শক্তিনা জয় তৌবসি পুন্সি শাংনা চৎপা ওইথোক্লোই। পোলিটিক্সতা ঈরাং হৌবগা মীয়াম হরাওনগনি খনবীগনু। মীয়াম্না ঈশিংনি, এম এল এ, মন্ত্রিশিংনা ঙানি। ঈশিং য়াওদনা ঙা হিংবা ঙমলোই। অচুম্বা খরদি থবক ওইনা ওন্থোকপীয়ু। হুরানববু য়োকখৎপদি পুন্সি শাংবা খক য়াররোই। মশা-মশাগী মরাল কল্থোক্লবগীদমক পার্টিদা চঙশিল্লকপশিং লৌথোকপীয়ু। আলু অপূম্বা অমনা পূম্নমক পুমহনবদি তৌহল্লগুমসি, মন্ত্রি মরক্তা শেঞ্জা থুমজা থিংমিন্নরসি, শেঞ্জাবা হায়বসি মন্ত্রিনা হায়দোরকপা নত্তে, শেল পীরুবশিংনা হায়দোরকপনি। অচুম্বদি কৈদৌনুংদা লোৎপা য়াররোই। মীগী মচিন মেনবদি ঙল্লরোই। অচুম্বদি লেঙদনা লৈরি।◀◀

# পামহৈবা (গরীবনিৱাজ) মহারাজ:

## মণিপুর অমসুং অৱাং বর্ম্মা (ইরাবতী তুরেলগী নোংচুপ) গী মবুংঙো (খৃ: ১৭০৯-১৭৪৮)

- মাংলেমজাও সিংহ সোরোকখাইবম-
রিটয়ার্দ ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস, মণিপুর

(হান্নগী মখা...)

**কোপেং, ৰাংগোন কৈরুংহনবা** (বি: কুল্লচন্দ্র শর্ম্ম অমসুং নিং: চীংলেননদি থাংজমচা কোপেং হায়, মরী লৈনবা লাইরিক ফংদবনা ময়েক শেংদোকপা ঙমদ্রে)। নঙদি নহারুপ পানাগী লাম্মী তেঙ্গোল পুদুনা পাঙল নোংমৈ কাপ্পশিং অমসুং তেনহৈবা রুপক্কা লোয়ননা চত্তুনা ফোংতা হিঙাইফমদা (য়ু তুরেল অমসুং নিংথি/চিন্দৱিন) গী ঈতিনফমদা লাইনিংথৌ তাইবংখাইবা ইবুংঙো সনমহীগা লোয়ননা কোনুংগী নুপী মরি - (১) চিনফুরোন তোংখানবী

(২) ৰাঙম চনু তোনু মায়খুবী (মৈতেঙু চনু)

(৩) অহোংবম চনু চাওবী তেংবুৰা

(৪) থৌনাওজম চনু হোংবী (নুংপাল লুৰাং) না লানফমদা লেংশিনগনি। মফমদু য়ৌরগা লাম্মীশিং ঈশিং অমসুং তুরেল লান্নবা **‘খোংচোম্ব তোংচেং সেলকোয় লোকপা’** কৌবা হিবু চিংথোক্তুনা লাম্থোক-লানশিন্দা মতেং পাংগনি। অদুগা মফমদুদা অৱা - লৈমা ওকপা লাকপা অৱা ফম্নাইবা ফম্নাইবীশিংবু মপুক পেন্নবা ঙাঙদুনা মৈতিংঙুগী মপূং লাম্মী তেঙ্গোল য়ৌরকপা ঙাইদুনা লৈরম্মু।

মৈতিংঙুনা মপূং লাম্মীগা লোয়ননা তেঙ্গোল শাদুনা ‘তমলৌরেন তল্লা উয়োককোন’ দা লানবন শারগে। অতিয়াদা মৈখু উরগা অমসুং তোপকী মখোল তারগা ঐ লাক্লে হায়বা খঙউ; লোয়ননা লান্তানবা থৌরাং পূম্নমক পায়খৎকদবনি। পামহৈবা নিংথৌনা লানগী লানলোং শিন্দাকপা লোইরদুনা মাগী মাগী মথৌ পাঙথোক্লবা শেম শাদুনা পোইনু থা য়ৌরকপা ঙাইদুনা লৈনরম্মী।

কোপেং অমসুং মাগী লাম্মীগা লোয়ননা থৌমীশিংনা থুংবগা নুমিৎ ৬কী তুংদা মহারাজগী খোংমী লাম্মীগা লোয়ননা মৈখু চবুল-চবুল কারকপা উবদগী কোপেং কৈরুংবনা মী থাদুনা ফোংদা হিঙাইফমদা তৌরিবা পূম্নমক মৈতিংঙুগী মফমদা সনা য়াথংবু হঙ্গৎচখি। মৈতিংঙুগী সনা য়াথং ফংলবদা কোপেং কৈরুংবনা লাইবারবু অৱা লুচিংবগী মফমদা থাদুনা মৈতিংঙুগী মমোম তম্ফা ৰাংঙমলোনগী অওং অউনপোৎ মশীং শুনা থুংলরে, মৈতৈ লৈমা খুৎশিন্নজরগে, মজাইবেম্মা লৌবা লাক্লো হায়না পাউ পীরম্মী।

অদুগী মতুংদা অৱাশিংগা মৈতৈগা অকনবা লান শাক্লরে। ‘সেনবী মপোঙ ফল খ্রাশ্রল মনোংমইদি লোক্তাক খরা পাইগুমলে। তেনবী মরাং হৌরক্লে, পোইরৈ অথৌ লিচা হেপ্পসুঙ কামার মখৎসুবু কোরও খমনোং খোংগুম খুদোং থিংকাপ কুঙনথা তেনবী খোইপাই তম্না শোক্লরে। থবা লানচেল মইকাপ্পীবু সঙায় সেল সাফু তম মইবী নোংলোন পাও মইখু নোংদ কা কামার পল্লেপ সেম্না কুমগা থাগি নোংখোংগুম খাম্নল তেঙ্গোল নুংদ কাপচিনখিরবগি ঔৱা তেঙ্গোল তরামসু পাথং কাংচাই তম্না থুগাইরে’। অসুম্না লাল শোক্লদুনা অৱা মশীং খঙদনা হাৎলে, হিঙাইব-হিঙাইবী কয়া ফারে, মুংয়োং মঙদ্রা নিংথৌগী অৱা লৈমা পুনবা সনাতোপ্পা হিদুসু শিংজংনা য়ানখাইরগা মৈ থাদোক্লে। লানশিদা চুঙগোয় ১০০০, থাংশাং ১০০০ খোল্লকলে। অদুগা মৈদিংঙুগী সনা হি খোংচোম্বা তোংচেং সেলকোয় লোকপগী মতেংনা মৈতৈগী লাম্মী, লানফা কয়াগা লোয়ননা নিংথি তুরেল লাম্থোক্তুনা লাক্লগা হায়রিবা ঈ-পাউসি কবো তমলৌরেন ৰাংঙমলোন পাম্থোইবীগী উয়োক-উমংদা তেঙ্গোন শাদুনা লৈরিবা মৈতৈ নিংথৌরেলদা উনুংতা খুল্লাকপা কবো কোপেৎ লানচিংলেন্না পাউদম্বগা লোয়ননা ফোংদাগী লানখোমপোৎ অমসুং লানফাশিং কৎচখি অমসুং লানপাওসু তমজখি। পূম্নমক তারবা মৈদিংঙুনা লানচিংলেন কোপেংবু চীংঙু পূম্নমক্কী নোংদম্বা লাইয়িং-থৌগা, লানফা-লানখোমশিংগা লাইনিংথৌগী তাল্লোয়শিং, মনাই পূম্নমক্কা লোয়ননা পোইরৈ মৈতৈ তমদা চৎখিনবা য়াথং তাওথখি।

মৈদিংঙু পামহৈবদি শমজোক্কী পাঙ্গা (পাগান কাঙবুগী মীবু মৈতৈনা পাঙ্গা হায়না খঙনৈ) কৌবা ফুরুপসি মরু ফংনা মাঙহনদ্রিবা ফাওবা সনা কোনুংদা হল্লরোই হায়দুনা শমজোক্তা লান্তানবা থৌরাং তৌদুনা লৈহৌরম্মী।

হান্ননা শিন্দুনা লৈখ্রবা লাম্মী লুচিংপুরেলশিংনা মাগী মাগী মথৌ পাঙথোকপা হৌনখ্রে। সমজোকপু মৈতৈ লাম্মীশিংনা কোয়শিন্দুনা থমখ্রে। চান-থক্লবা অমত্তা ফংহন্দ্রে। মতাংসিদা সমজোকপু মায়কৈ মরি ঙাক শেল্লিবা লানচিংলেন মরিদা মৈতিংঙুনা হায়রকই “নখোয়দি হনবা তৌনদবা সমজোকপু ঙাক্লম্মু নিংথৌরেল ঐদি অপোঙ সোরোখাইবম, ৰাকচিং সমলোইবম, লল্লোই ঙাঙবমচা অমসুং মুংয়াং নাওরোয়বম মখোয় মরিগা পুন্না নিংথি তুরেল মপান্দা তাবা সমজোক্তা চান-থক্লবা চেঙ-হৱাই লেপ্তুনা পীরিবা নুংঙাই য়াইফবা “চান্দ” খুঙ্গংদু হান্ননা থুগায়নবা নিংথি তুরেলদা হিদা লাক্তুনা চান্দাদা লান্দাখি। অসুম্না চান্দাদা লান্দারবদা চান্দা মাং তাক্লে। চান্দা মাং-তাক্লে। হিদা চেনখিবা লাম্মী কয়া হিদা তান্নদুনা নোংমৈ কাপ্তুনা হাৎলে। চকপা অঙ্গো চিংদা খুন্তাবা- কামুচিং, চিরাং, খারোই, কোন্দোং মখা তিকইসা খুনফা, চিংদা তাবা তারাও খুন্দোল পূম্নমক লানচেন্নরে।

মসিগী মতুংদা নিংথৌরেল মৈদিংঙুদি সমজোক্তা থুংলরে। সমজোক ঙাক্লিবা অথৌ-লুচিংবা মরিসু সমজোক্কী মথক্তা অনৌবা লানগী ঈনোৎ হাপখরে। মৈতৈগী লাম্মীশিংনা কাপখিবা মৈকাপিনা সমজোক্কী লানচিংলেনগী মফমদা তাশিনখ্রে। সমজোক পূম্নমক কাইদুনা চেন্নরে। সমজোক অৱা মৈশা লাংলে। চাক চারক্তবনা মপুক পায়দুনা খাংলক্লবা সমজোক পূম্নমক ঈশিংদগী চোংথোক্লবা লেমলৈ ঙাগী পাঙ্খক ওইখ্রে। চেনসি চেনঙমদা তুরোই ঙাল্লোই খোঙকাপ অথাং খুদিং য়ুহা হাগুম তোলহাইনরে। চাক চাদনা চোংতাই মনা ফুৎতুনা চারকপা, চাদবা শগোল শাবু চা-ওন্থোকপা ফীভম ওইরবদা সমজোক্তি হায়নিংঙাই লৈতনা ৰানরে। মশক ফজবী লৈশাবীশিংসু চাদবনা হনুবীগুম কোপ্লবী মমায় শুপ্পা হনুবীগী শক্তম লৌখ্রবীশিং লেংবা ওৎপা ঙমদনা লৈমায়দা ওন্ন থোইনা খাংখরে। মমিৎসু তন্দন পাইরে ওন্থোকপা ফীভম ওইরে। ময়াম পূম্নমক অৱা পাঙ্খক্লরে। মীকপ-মীরাওখোল, অৱা-নাহেখোলনা নিল্লে। মতাং অসি প্রো: চোংথাম মনিহার সিংহনা মাগী "A history of Manipuri Literature" Page-152 দা অসুম্না পল্লি "Since we are utterly starved, how shall we be able to subsist only on wild plants, we have now tested even horse meat which we never touched. Death is now sure to us. The pretty damsels look pale, emanciated and guite old for their age. The babies in arms are sniveling from one of milk. How shall we let them die on stakes choked and with eyes upturned." উপায় লৈত্রদুনা সমজোক অঙম-অথৌ, সমজোক লাকপা অমসুং মচা লাখমতোনগা লোয়ননা ফম্নাইবা তরুক ৰাতান্নরে মৈতৈ নিংথৌরেলদা মায়থিরে য়াজরে, লোইহাজগে হায়না সমজোক লাকপনা য়াজরে। সমজোকনা কাফম থোকপা লোইহা পোৎ অমত্তা ৰাৎতনা চহী কাংদনা কাজগে, ঐখোবু চাক পিজৌও হায়না সমজোক লাকপনা মৈদিংঙুগী মফমদা হায়জখিবা মতুংইন্না পুকচেল চাওবা মৈতৈ নিংথৌরেলনা মাগী লাম্থেং অসিগীদমক চান-থক্লবা পৈদুনা থল্লিবা কৈদগী কাইথোক্তুনা সমজোক পূম্নমকপু ঙা-চাক পীজখি। সমজোক লাকপা, মথোৎ কারক্লিবা মচানুপা লাখমতোনগদি লানফা ওইনা পুরকখি। সমজোক্কী লানফমদা থাংজমচা হিদং, খাগোকপনচিংবা লাম্মী ১০ নোংমৈনা পান্দুনা শি হায়না পনবা য়াওই (নিং: চিংলেন)। লান্দা শিরকপা মৈতৈ লাম্মীশিংগী অশিবা হকচাং পুরক্তুনা মৈতৈ কংলৈদা পোৎলোইবা অমসুং মথৌ মঙম পূম্নমক পাঙথোকখি। মৈদিংঙু পামহৈবনা সমজোক লানগীদমক্তা কোনুং থাদোক্লকপদি “পোইনু ৭ নি পানবা য়ুমশকৈশা কুমজা ১৭১৭ অদুগা লান লোইরগা হল্লকপনা ৰাকচিংগী ২ (নিনি) পানবা থাংজ কুমজা ১৭১৮ নি (চৈথারোল কুম্বা)। মমাঙ চহীদা তেখাও (অসাম) চৎলুবগী পাওহন বামোন হঞ্জবা অমসুং ক্যামগৈ অয়াংবগা মখোয় অনীবু অমুক তেখাওদা থাখি।

-মথং-মথং




IN THE COURT OF DISTRICT JUDGE IMPHAL WEST
URIPOK CHEIRAP COURT COMPLEX, IMPHAL
ORIGINAL (SUCCESSION) SUIT NO. 8 OF 2019

Mrs. Ngainiathing @ Marry Khongsai aged about 46 years w/o Late Gentian Pao (G. T. Pao) ordinarily residing at Game Village. Zone II .P.O. and P.S. Lamphel, Imphal; West, Dist: Manipur.

....Petitioner

-Versus-

1. Phalneikim aged about 20 years s/o late Gentian Pao (G. T. Pao) of Game Village, Zone II .P.O. and P.S. Lamphel, Imphal; West. Dist: Manipur.
2. Chongoulien Kennedy aged about 18 years d/o late Gentian Pao (G. T. Pao) of Game Village, Zone II .P.O. and P.S. Lamphel, Imphal; West, Dist: Manipur.

...Respondents

NOTICE UNDER SECTION 372 OF THE INDIAN SUCCESSION ACT, 1925

To,

ALL THE INTERESTED PERSONS

WHEREAS the above named petitioner has filed an application under section 372 of the Indian Succession Act, 1925 for issuing a Succession Certificate in favour of the petitioner for pension of Rs. 13,140/-( Rupees thirteen thousand One hundred forty ) only of deceased Rifleman being No.841151884 in 69 Bn. CRPF Station at Koirengei, Gentian Pao (G. T. Pao) of Lingsiphai village, Churachandpur, ordinarily residing at Game Village, Zone II .P.O. and P.S. Lamphel, Imphal: West, Dist: Manipur who died on 25th day of April, 2014. at Langol Game Village. You are hereby summoned to appear before this Court in person or by a pleader duly instructed on 20/6/ 2019 at about 10:30 am and on the same day you may file a written statement of your defense.

In default of your appearance on the aforesaid date and time the case will be proceeded and heard according to law.

Given under my hand and seal of this Court on this 9thh day of May 2019 at Imphal

Sd/- Sr. Sheristadar,
District and Session Court
Imphal West at Imphal

HL-P/4316/13,14

IN THE FAMILY COURT IMPHAL EAST: MANIPUR AT LAMPHELPAT.

Original(Decl.) Suit No. 8 of 2019

Mrs.Sarakhatun. .......Petitioner.
-Versus-
Mrs. Najirun and 3 Ors. .....Defendants

SUMMONS
Substitued servi ce under OrderV Rule 20(IA) CPC.

To,

1. Mrs. Najirun, aged about 38 years old, D/O Late Md. Abdulla and W/O Adbul Gakhur of Keirang Chingya, P.O. and P.S. Imphal East, District Imphal East, Manipur State.
2. Aktar Ali @ Maniton, aged about 33 years old. S/O Late Md. Abdulla of Keirao Mukting Sabal Leikai, Keirao Bitra, P.O. Irilbung. P.S. Singjamei, District Imphal East, Manipur State.
3. Md. Imaran, aged about 26 years old, S/O Late Md. Abdulla of Keirao Mukting Sabal Leikai, Keirao Bitra, P.O. Irilbung, P.S. Singjamei . District Imphal East, Manipur State.
4. Km. Roshina, aged about 23 years old, D/O Late Md. Abdulla of Keirao Mukting Sabal Leikai, Keirao Bitra, P.O. Irilbung, P.S. Singjamei, District Imphal East, Manipur State.

...Defendants.

SUMMONS
Substitued service under Order V Rule 20(IA) CPC

Whereas, the petitioner has instituted a Declaratory Suit against you under Section 7(I)(a) of the Family Court Act, 1984 read with Section 34 of the Specific Relief Act, 1963, your are hereby summoned to appear in this court in person or by a pleader duly instructed and able to answer all material question relating to the present suit or who shall be accompanied by some person, able to answer all such questions, on this 19th day of June, 2019 at 10.30. a.m. in the forenoon.

Take notice that in default of your appearance on the day before mentioned, Original Suit will be heard and determine in your absence.

Sealed and Signed by the order of the Court, on this 4th day of June, 2019.

(Advocate)

Th. Ibeyaima Devi
Senior Sheristadar,
Family Court Imphal East, Manipur

HL-P/4315/13,14